**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28.6.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২৮-০৬-২০২৪, ইরাই)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাঙোম কিরননা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা ঙসি ইম্ফালদা মনিপুর কনবা খোংচৎ পাঙথোকখ্রে।

২) মনিপুরদা ঙসি ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুখি, লাক্লিবা নুমিৎ ৪ নিদসু নোং চুখিগনি হায়রি।

৩) ৱার্ল্ড নো তোবেকো দেগী থৌরম ঙসি জেনিমসকী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখে।

৪) নিট একজাম ৱাথোক্কা মরী লৈননা লোক সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি, রাজ্য সভাদনা অহুমলক হন্না মীফম য়ৈথোকখি।

**অমসুং**

৫) কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ত মন্ত্রি ভুপেন্দ্র যাদবনা হায়রি- অকোয়বগী ফীভমদা শিংনরক্লিবশিং থেংন্নবগীদমক পুন্সি মহিং হোংদোকপগী তঙাই ফদবা লৈরে ।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**কোকোমি(এল)ঃ** মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা ঙসি ইম্ফালদা মনিপুর কনবা খোংচৎ পাঙথোকখ্রে। খোংচৎ অদুগী তুংদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমনা মনিপুর কন্ননবগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ ৮ লৌখি।

কোওর্দিনেতিং কম্মীতি ওন মনিপুর ইন্তিগ্রিতি কোকোমিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খোংচৎ অদু ইম্ফালগী থাংমৈবন্দদা লৈবা থাও গ্রাউন্দগী হৌরগা খুমন লম্পাক্কী মেন ষ্টেদিয়মদা লমথুংফম ওইখি। খোংচৎ অদুবু লুচিংলিবশিংনা- লান্দরক্লিবা নার্কো তেরোরিস্তশিং তাম্হোকখিগদবনি হায়বা বেন্নর পায়দুনা খোংচৎ অদু চৎখি। ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়া ফাওদুনা চৎখিবা খোংচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা - মনিপুরগী য়েলহৌমী মুখৎনবা চখ্নরিবা থৌওং লেপকদবনি , কাংলুপ ফুরুপ নাইবা থৌওং য়ানিংদে, নার্কো তেরোরিস্তশিংগা সু তৌনবা য়ারোই, এন.আর.সি চৎনহল্লু অমসুং ইরাং লোইদ্রিবা ফাওবা কোম্বীং ওপরেসন তৌদুনা খুৎলায় ফাগৎপা য়ানিংদে হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

**--সাউন্দ খোল্লাউ--**

খুমন লম্পাক্কী মেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা চহি অমা হেঞ্জিল্লক্লবা মনিপুরগী ইরাং অসি সরকারনা মতম চানা লোইশিন্নবা হোৎনবিদে হায়না পেন্দবা ফোংদোকখি। ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা মনিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিংদা পীরক্লিবা অচৌবা শিংনবা অসি থেংনমিন্ননবা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমকা অমত্তা ওইনা চংশিনমিন্নবগী তঙাইফদবশিংসু মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোংদোকখি। য়েলহৌ ফুরুপশিংগী য়ুম মৈ থাবা অমসুং মখোয়দা তোইনা নোংমৈ অমদি বোম কাপশিনবগী থৌওংশিংনা ইরাং অসি মখা শাংথদুনা অদুমক লৈবদা মীয়ামা পেন্নদবা ফোংদোকখি।

ঙসিগী মীফম অদুনা লৌখিবা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ ৮ গী মনুংদা-মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম হিরম অমত্তদা থুগাইবা য়ারোই, মপানদগী আইন কায়না চংলকপা মীওইশিং লমদম অসিদগী তান্থোকখিগদবনি অমসুং মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মনিপুর কন্নবা থৌনা ফনা মতিং লৈনা চোংথোরক্কদবনি হায়বনচিংবা য়াওরি।

## --সাউন্দ ৱারেপ--

**নোং (এল)ঃ** মনিপুরগী অয়াম্বা মফমদা ঙসি ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুখি। নোং চুবা অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল মনুংগী মফম খরদা ঈশিং চেনফম লৈতবদগী থুমজিল্লে। ইম্ফাল মনুং ফাওদুনা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেলশিংগী ইমা তপা তপা ৱাংখৎলক্লি। নম্বুল অমসুং ইম্ফাল তুরেলগী ইমায় লেপ্পা লৈতনা ৱাংখৎলক্লি।

মেট ওফিসকী পাউনা হায়- ঙসি অয়ুক পুং ৮ মখায় ফাওবদা চান্দেলদা মিলিমিতর ৬৭.৫ য়ৌনা নোং চুদুনা খ্বাইদগী চাং ৱাংনা নোং চুখি। মসিগী মথংদা উখ্রুলদা মিলিমিতর ৩৬.৫ য়ৌনা নোং চুখি, কাংপোকপীদা মিলিমিতর ২৬ ,ইম্ফালদা মিলিমিতর ২২.৪ অমসুং তমেংলোংদা মিলিমিতর ১০.৫ য়ৌনা নোং চুখি। বিষ্ণুপুরদনা মিলিমিতর ৬.৪ অমসুং চুরাচান্দপুরদনা মিলিমিতর ৩.৮ গী চাংদা নোং চুখি।

মেট ওফিসকী পাউনা মখা তানা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ ৪ নিদসু মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা নোং কন্না চুরবা য়াই। মরম অদুনা নোং কন্না চুবদগী থোরকপা য়াবা খুদোংথীবশিং থেংন্নবা শেম শাদুনা লৈন্নবা হায়রি।

**ওপরেসন(এল)ঃ** ককচিংগী কম্মান্দো য়ুনিট, অরোং পুলিস ষ্টেসন অমসুং বি.এস.এফকী ১২৬ শুবা বত্তালিয়নগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক লাফুপাৎ তেরা এরিয়াদা থীবা হুম্বগী থবক চথখ্রে। মদুদা য়ুম ৪০ দা থীবা হুম্বগী থবক চথখি অদুগা মীওই ১২০ না মশক খঙদোকখি। অদুমওইনমক থীবা হুম্বগী থবক চথবা অদুদা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎপা অমদি মীফা মীপুনগী পাউদি লৈতে।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা --(বাবিনা)**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**দে(এল)ঃ** ৱার্ল্ড নো তোবেকো দেগী থৌরম ঙসি রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেস দাইরেক্তোরেট অমসুং ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরনা পুন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী পোরোম্পাৎতা লৈবা জেনিমসকী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হেলথ সার্ভিসেসকী দিরেক্তর ডা: ও. সনাহনবি দেবীনা হায়- হিদাকমনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবনা মীওইবগী হকচাংদা শোকহল্লিবশিং অদুগী মতাংদা মীয়ামদা পাকশন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হিরমদি - প্রোতেক্তিং চিল্ড্রেন ফোর্ম তোবেকো ইন্দস্ত্রিজ ইন্তরফেরেন্স হায়বসিনি। মহাকা হায়- মতমগী মতুং ইন্না হিদাকমনাদগী শেন্বা পোৎলম কয়া লেপ্তুনা পুথোরক্লি। পোৎলমশিং অদুবু পুথোক্লিবা ইন্দিস্ত্রিজশিংনা সোসিয়েল মেদিয়ানচিংবদা থাগৎলকপা এদভর্টিসমেন্তশিংনা হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংগী পুকিং চিংশিনবা তোকহন্নবগী পান্দমদা কুমসি চহিগী ওইনা হিরম অসি থম্বনি। ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা ময়াইকাবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা লাইচুরবা ওইরক্কদবদগী থিংহৌনবা হোৎনবদা ইমুং মনুং অমসুং খুন্নাইগী চাউরবা থৌদাং লৈ। **--সাউন্দ সনাহনবি--**

**তমেংলোং (এল)ঃ** ইন্দিয়ন নেসনেল কংগ্রেস তমেংলোং ব্লোক কংগ্রেস কম্মীতিগী নৌনা থৌপুগদবশিংগী ৱাশক লৌবগী থৌরম অমা ঙসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা লৈবা পিছ হোলদা পাঙথোকখ্রে। কম্মীতি অসিগী মেম্বর ১৮ তমেংলোং ব্লোক মহিলা কংগ্রেস কম্মীতিগী ১০, এসেমব্লি য়ুথ কংগ্রেস কম্মীতিগী ১২ অমসুং সোসিয়েল মেদিয়া সেলগী মীওই ৫ থৌপুনবা খনখিবনি।।

থৌরম অদুদা ব্লোক কংগ্রেস কম্মীতিগী এদভাইজর টি.ঐচ ফুঙ্গাননা নৌনা খল্লবা মীওইশিংদা জিলা অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌনবা খঙহন্নখি।

**লোক সভা ঃ** লোক সভাদা ঙসি নিট একজামগী মতাংদা চরাংনবা থোকপদগী সভাগী মীফম নুমিৎয়ুংবা ফাওবা য়ৈথোকখি। নুমিৎয়ুংবা মতুংদা সভাগী মীফম অমুক হৌবগা কংগ্রেস সদস্যাশিংনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা শিক্ষা মন্ত্রি ধর্মেন্দ্র প্রধান ফম থাদোক্কদবনি হায়না খোল্লাউশিং লাউখি।

কংগ্রেস, দি.এম.কে, টি.এম.সি অমসুং সমাজৱাদি পার্টিগী সদস্যাশিংনা সভাগী ৱেল তমা চংশিল্লকখি। অদ্যক্ষ ওম বিরলানা ৱাথোক অসিগী মতাংদা কম্মীতি অমা শেমদুনা থিজিনবা হৌখ্রে। মরম অদুনা সদস্যাশিংনা সভাগী মীফম মখা চত্থনবা হোৎনবদা মতেং পাংবিনবা ফোংদোকখি। মদুদা বিরোধি সদস্যাশিংনা মখা তানা চরাংনবা থোকহনবদগী সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি।

**রাজ্য সভা ঃ** রাজ্য সভাদসু নিট একজাম ৱাথোক্কী মতাংদা বিরোধি সদস্যাশিংনা চরাংনবা থোকহনবদগী সভাগী মীফম ঙসিগী ওইনা অহুমলক য়িথোকখি। অদুমওইনমক,চরাংনবা মরক্তা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী ভাসনবু থাগৎপগী মোসন খনবা হৌখি। থাগৎপগী মোসন অদু খন্নবগীদমক পুং ২১ কায়থোক্তুনা থমখি। খন্নবা অদুদা শরুক য়ারদুনা বি.জে.পিগী এম.পি সুদান্সু ত্রিবেদিনা হৌখিবা চহি ১০ অসিদা সরকারনা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা শিংথাখি । মহাকা হায়- হৌখিবা লোক সভা মীখলদা খা থংবা রাজ্যশিংদা কংগ্রেসনা ফংখিবা ভোট মশিংগা চংদমবদা এন.দি.এনা ফংখিবা ভোটকী চাংনা য়ামা হেনখি। কংগ্রেসনা অহুমলকশুবা ওইনা কন্না হোৎনরবসু মীখল অদুদা দিজিট ৩ য়ৌবা ঙমখিদে। শ্রী ত্রিবেদিনা হায়- গ্রেট বৃটেননচিংবা লৈবাকশিংদগী হেন্দুনা ভারতনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ইকোনোমিদা ৫ শুবা মফমদা লৈবা ঙল্লে। লৈবাক অসিগী মীয়ামদা গ্রিন ইর্নজিগী লমদা পীখিবা থাজবশিং থবক্তা ওন্থোকপা ওইনা এন.ই.দি ল্লব কোতি ৩৪ য়েন্থোকখ্রে হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী মন-কি-বাট থৌরমদা লৈবাক অসিগী অমসুং মপান লমগী মীয়ামদা মহাক্কী পুকিংগী ৱা ফোংদোক্কনি।

হন্দক্কী অসিনা থা খুদিংগী শন্দোকপা থৌরম অসিগী ১১১ শুবা তাঙ্ককনি অদুগা শ্রী মোদিনা থংন-থংননা অহুমলকশুবা ওইনা প্রধান মন্ত্রি ওইরকপগী অহানবা তাঙ্কক ওইগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা মদুগী মনিপুরি ৱাহন্থোক শন্দোক্কনি।

**স্পোর্টস(এল)ঃ** মনিপুর বাসকেট বোল এসোসিয়েসনগী শান্নরোই অহুম ওইনাম রোমেন সিংহনা পুকিং থৌগৎখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকায়দা লৈবা য়ঙ এমেচ্যার ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অমদা -প্রিন্স অচোম, কেথারিন অমদি এঞ্জেলিনা শর্ম্মাবু পুকিং থৌগৎখি। মখোয় অসামগী হোজাইদা থা অসিগী ২২ দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা ট্রাইয়েল সেলেক্সনদা খল্লক্লবা শান্নরোইশিংনি।

**শান্নবা (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিসেয়ন ককচিংনা শীন্দুনা চখরিবা ২১ শুবা কে.এস.এস লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে.এম.এস.দব্লিউ.সি কৈরকা এল.ৱাই.এ.ৱাংঙুবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা এস.দব্লিউ.সি ৱাইখোংনা এল.এম.এল.সি.সি লাংমৈদোংবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**ভূপেন্দ্রঃ** মালেমগী ওইনা অকোয়বগী ফীভমদা শিংনরক্লিবশিং অসি থেংন্নবগীদমক পুন্সি মহিং হোংদোকপগী তঙাই ফদবা লৈরে হায়না কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ত, ফোরেস্ত এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ মন্ত্রি ভুপেন্দ্র যাদবনা ফোংদোকখ্রে।

ব্রিক্স লৈবাকশিংগী ইনভাইরোনমেন্ত মন্ত্রিশিংগী ভরচুয়েল ওইনা পাঙথোকপা ১০ শুবা মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী যাদবনা হায়- কেনিয়াদা চহি অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা য়ুনাইতেদ নেসনস ইনভাইরোনমেন্তকী ৬ শুবা মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ - মহৌশাগী খল কায়থরকপা থীংনবগীদমক ঐখোয়গী পুন্সি মহিং শেমদোকপগী তঙাই ফদবা লৈ হায়বা অদু ব্রিক্স লৈবাকশিংনা মপুং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনগদবনি।

মহাকা হায়- ভারতনা লৈবাক অসিগী ওইনা অমসুং মালেমগী ওইনা মহৌশাগী খল কায়থরকপা থীংনবা খোংথাং কয়া লৌখৎতুনা লাক্লি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা চহি অসিগী ইনভাইরোনমেন্ত দে নুমিৎতা হৌদোকখিবা এক্ত পেদ মা কে নাম হায়বা কেম্পেইন অসিদা ব্রিক্স লৈবাকশিংনা শৌগৎপিনবা অমসুং শরুক য়াবিনবা শ্রী যাদবনা তকশিনখি।

**নোং ঃ** ন্যু দিল্লিদা কুমগী নোং য়ৌরক্তুনা নোং কন্না চুবদগী ঈশিং চেনফম লৈতদুনা মফম কয়া ঈশিং থমজিল্লে। ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা নোং কন্না চুবদগী মিন্তো রোদ, আই.টি.ও, মথুরা রোদ, রোহতক রোদ, তিলকনাগর, ঔরোবিন্দো মার্গ, অজাদ মার্কেট,আউতর রিংরোদ অমসুং গাজিপুর বোদরনচিংবা মফমশিংদা ঈশিং থুমজিনখি।

মেট ওফিসকী পাউনা হায়-কুমগী নোং য়ৌরকপগা লোয়ননা ঙসি নোং কন্না চুবদগী মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিন্দুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা খুদোংচাদবা থোকখি। সবদরজং ৱেদর ষ্টেসননা রেকোর্দ তৌখিবদা নোংজ্গী চাং অদু মিলিমিতর ২২৮ য়ৌখি। লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা শরুক, ময়াই থংবা শরুক য়াওনা অয়ান্বা মফমশিংদা কুমগী নোং য়ৌরে। হায়রিবা মফমশিং অসিদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনিদা মখা তানা নোং চুরবা য়াই।

**ইয়রপোর্টঃ** হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা ন্যু দিল্লিদা কা হেন্না নোং চুবদগী ইন্দিয়রা গান্ধি ইন্তরনেসনেল ইয়রপোর্টকী টরমিনেল-ৱানগী শরুক খরা নিংখায়রকপদা মীওই ১ লৈখিদ্রে , মীওই ৪ না অশোক অপন নংখ্রে। টরমিনেল অসিদগী পাইগদবা ফ্লাটশিং ঙসি নুংথিল পুং ২ ফাওবা পায়হনখিদ্রে। পুং ২ গী মতুংদা পায়গদবা ফ্লাইটশিংদি টরমিনেল -টু অমসুং থ্রিদগী পায়খি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রি রামোহন নাইদুনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। মহাকা হায়- থৌদোক অসিদা লৈখিদবা অমসুং শোক্লবশিংদা মতিক চাবা ক্ষেত্রিপুরোন পীগনি । থৌদোক অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনসু কুপা য়েংশিল্লি। অসিগুম্বা লাইবক থীবা থৌদোক মখা তানা থোক্তনবা মন্ত্রিনা মখা তানা য়েংশিনখি।

**বেল ঃ** ঝরখন্দগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি হেমন্ত সুরেন ঙসি ঝরখন্দ হায়কোর্টনা জমিন পীখ্রে। মহাক চহি অসিগী জনুৱারি ৩১ দা এনফোর্সমেন্ত দাইরেক্তোরেটনা আইননা য়াদবা মওংদা লম লৈশিনবগী কেস অমদা ফাদুনা ব্রিশামুন্দা সেন্ত্রেল জেলদা লৈরকখিবনি।

**যাদব ঃ** মধ্য প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-ডা: মোহোন যাদবনা সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি.এ.এ) গী মখাদা রাজ্য অদুদা নাগরিক ওইহনবীয়ু হায়না থারকপা মীওই অহুমদা ইন্দিয়ান সিটিজনসিপ সার্টিফিকেট খুৎশিন্নখ্রে।

অকাশবানিগী পাউমীনা হায়-সি.এ.এগী মখাদা দরখাষ্ট থারকপা অহানবা মীওই অদুগী অপোকপা-শামির সেলবানি অমসুং সনজনা সেলবানি পাকিস্তানদা লৈরম্বনি। অদুবু, ইং কুমজা ২০১২ দগী মখোয় ভারত্তা লৈরকপনি। অহুমশুবা মীওই রাকি দাস বঙ্গলাদেসতগীনি। হৌজিক ফাওবদা মৈধ্য প্রদেসতা সি.এ.এগী মখাদা ভারতকী নাগরিক ওইহন্নবা দরখাষ্ট থারকপা মী মশিং ৬১ শুরে। মখোয়গী দরখাষ্টশিং অদু হৌজিক খন্নরি।

মুখ্য মন্ত্রি-ডা: মোহোন যাদবনা হায়-সিটিজনসিপকা মরি লৈনবা ৱাফম ৱারোইশিন পুরক্তুনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নুংশিনবা মরী হনজিলহন্নবা হোৎনখি অমসুং মসিনা অখন্ধা ভারতকী ৱাখল্লোন অদু নীংশিংহল্লি।

**ক্রিকেট ঃ** টি-ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল মেটচতা ভারত অমসুং সাউট অফ্রিকা হয়েং বারবাদোসকী কেনসিন্তন ওভেল ষ্টেদিময়দা শান্নরগনি। মেটচ অসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দগী শান্নবা হৌগনি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা ঙসি ইম্ফালদা মনিপ্র কনবা খোংচৎ পাঙথোকখ্রে।

২) মনিপুরদা ঙসি ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুখি, লাক্লিবা নুমিৎ ৪ নিদসু নোং চুখিগনি হায়রি।

৩) ৱার্ল্ড নো তোবেকো দেগী থৌরম ঙসি জেনিমসকী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

৪) নিট একজাম ৱাথোক্কা মরী লৈননা লোক সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি, রাজ্য সভাদনা অহুমলক হন্না মীফম য়ৈথোকখি।

**অমসুং**

৫) কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ত মন্ত্রি ভুপেন্দ্র যাদবনা হায়রি- অকোয়বগী ফীভমদা শিংনরক্লিবশিং থেংন্নবগীদমক পুন্সি মহিং হোংদোকপগী তঙাই ফদবা লৈরে ।

**--- পাউ লোইজরে---**